# মমাঙ৉ৈগী অহল লমনশিংদগী ফংহৌবা গ্যান-লৌশিংনা শা-ষণ লায়েংবা

**- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -**



হৌজিক্কী মতমসিদা লায়না-লাইচৎ কয়া অমা লাকশিন্নবা যূমদগী মপান থোক্তুনা অনা লায়েংগী হীদাক লাংথক লৈনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা মতমসিদা ইনাক্তা ফংলিবা মখাদা থমজরিবা খরসিনা শা-ষণ নারকপা মতমদা শীজিন্নদুনা অনা-অয়েক কয়াদগী ফহনবা ঙমগনি।

ক) মশা শাগৎপদা হৈবোং মনা শীজিন্নবা :- মশা শাগৎপদা হৈবোং মনাসি নোংমদা খরা য়াম্না অহুল্লক থোক্লা পীজবীবা অমদি হায়রিবা মনাসি মরৈদা নোংমদা অহুম/মরিরক তৈবীরগদি মশা শাগৎপা হন্থহল্লি।

হৈবোং মনাদা চিনিগী শরুক চাদা ৩১.৪ য়াওই। মসিদসু নত্তনা মিনরেল, ভিটামিন কয়া অমসু য়াওরি। হৈবোং মনাসিনসু মথী-ময়ুং নিংথিনা ফাইবা ঙমহল্লি অমদি মশাদা লৈরিবা লোকশিং লৌথোকপা ঙমহল্লি।

খ) মশা শাগৎপদা য়াইঙং অনৌবা/মনাওগা চিনি অঙাংবগা শীজিন্নবা : য়াইঙংশিংদু নিংথিনা চামথোল্লবা তুংদা পেষ্ট শেন্নগা চিনি অঙাংবগা পূন্না য়ান্নবীরগা নোংমদা ২-৩ লক পীজবীগনি। মসিনা হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি। য়াইঙংদা কেফিক এসিদ, করকুমিনগী চাং য়াম্না য়াওই।

গ) মখোঙ হান্বদা শীজিন্নবা য়াবা মখলশিং :- ১) ৱা মনা :- নোংমদা ৱা মনাসি মরাং কায়না অয়ূক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা পীজবীরগদি মথী পেৎলম্বদগী কনশিল্লকই অমদি দাইরিয়া ফহল্লি।

২) সিটাফোল :- অশংবা নৎত্রগা খরা মুল্লপ তৌবা সিটাফোলসি অহুম/অহুম অনীরক থোক্লা অতোপ্পা মচিঞ্জাকশিংগা পীজবীরগদি মখোঙ হান্বা হন্থৈ। করিগুম্বা মতমদসু সিটাফোল অশংবসু পীজবদা মখোঙ হান্বা ফহল্লি। সিটাফোলদা তুম্নবগী শরুক য়াওই অমদি থীরিনগী অনাবা কয়া অমসু ফহল্লি।

৩) ৱাইকুপ/চেঙকুপকা লফোইগা পূন্না শীজিন্নবা :- ৱাইকুপ/চেঙকুপকা লফোইগা পূন্না তোৎলগা পীজবীবা মতমদা মখোঙ হান্বা হন্থহল্লি। মসি ষণদা ৱাইকুপ কেজি অমদা লফোই ৪-৫ হাপ্লগা নোংমদা অহুল্লক থোক্লা নুমিৎ নীনি/হুমনি পীজরগদি মখোঙ হান্বদগী কনবা ঙম্মী।

৪) সনাহী মহী শীজিন্নবা :- শঙ্গোম সনা শেন্নবা মতুং মহীদু পীথকপদা মখোঙ হান্বদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। সনা মহীদা য়াওরিবসি ভিটামিন এ অমসুং দিনি। মসিদা এন্টি বেক্টেরিয়েল প্রোপর্টি য়াওই। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা মিনরেল, প্রোটিন, ফেট অসিনচিংবা কয়া অমসু য়াওরি।

৫) মঙ্গে মনা অমদি হঙ্গাম মৰু শীজিন্নবা :- মঙ্গে মনা অমদি হঙ্গাম মৰু ঈশিংগা কোন্ননা পুক হাংলিঙৈদা নুমিৎ হুমনি নোংমদা অনীরক পীজবীরগদি মখোঙ হান্বদগী অমদি দাইসেন্ট্রিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

খ) মচিন মরৈ অমদি মখোঙ নাবা :- ১) নীম মনাসি ঈশিংদা ফুৎলগা মহীদুনা মখোঙগী লোংখুমদা শোক্লিবদুদা চামথোকপীরগদি অনাবসি য়াম্না থুনা ফৈ। মসি য়াম্না তোয়না তৌবীগনি। নীম মনাদা এন্টিসেপটিক এন্টি বেক্টেরিয়েলগী প্রোপর্টি ময়াম অমা য়াওরি। নীমদা নীমবিন অমদি নীমবিসিদিন য়াওবা মরম্না অশোক অপন কয়া অমা ফহল্লি, হকচাং শাগৎপা হন্থহল্লি, অনাবা ফাওহন্দবা ঙমহল্লি।

২) লৈখোমদা চৎহনবা :- মচিন মরৈ অমদি মখোঙ নাবশিংদা লৈখোমদা চৎহন্দুনা অশোকপা মখোঙশিংদু লৈখোমদা য়োম্লগা থমদুনা হয়িং, কাঙ অমদি অতোপ্পা তীলশিংনা চঙবা ঙমহন্দে। মসি কা হেন্না অফবা লায়েং পথাপতি ওইদে।

৩) করপুর নৎত্রগা টরপেন্টাইন ওইল শীজিন্নবা :- অশোকপা মখোঙদু নীংথিনা চামথোকপীরগা করপুর অমদি টরপেন্টাইন ওইলনা মীকচর শেম্বীরগা অশোকপা জগাদা তৈবীরগা অনাবদু ফবা ঙমহল্লি।

৪) ফীজিগ্রিগা খোইহি/চুহীগা শীজিন্নবা : মচিন মরৈ নাবা মতমদা শা-ষণশিংদু মখনাও মনুং অমদি মরৈদা চাথৎপা কয়া অমা উবা থেংনবীগনি। মসিনা চাবা থকপদা অৱাবা অমা ওইহল্লি, চাশিনবা কয়া য়াদে। মসিদা ফিজিগ্রিগা খোইহি/চুহী হাপ্তুনা মীকচর শেন্নবা মতুংদা চৈ অমদা লশিং য়োম্লগা হায়রিবা মীকচরসিদা লুপ্পীরবা তুংদা মচিন কাথোকপীরগা মরৈদা নোংমদা ৩/৪ রক তৈবীগনি। মসি নুমিৎ ৪/৫নিমুক তৈবীরগদি অনাবা অসি ফবা ঙমহল্লি।

ঙ) খোমজিন চেকখাইবদা ঘী/বট্টর শীজিন্নবা :- খোমজিন চেকখায়বদা ঘী নৎত্রগা বট্টর অদু শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা তৈবীগনি। মসিনা চেকখাইরিবা উনশাশিংদু থোৎহল্লি অমদি নীংথিনা শঙ্গোম শুম্বা ঙমহল্লি।

চ) অশোক অপন থোকপদা য়ুবী থাও অমদি চনম শীজিন্নবা : অশোক অপন অমদি লেনথৎ খোৎতৎপদগী শোকপদা য়ুবী থাওগা চনমগা শুরগা মদুদা থোরকপা মহীদুগা পূন্না মীকচর শেম্লগা মহীদুনা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা ফহল্লি।

ছ) তীল চেনবা হন্থহনবা : তীল চেনবা হন্থহন্নবা কিহোম মনা পীজবীগনি। মসি নুমিৎ ৪-৫নি পীজবীগনি। নোংমদা কিহোম মনা ৫-৭ ফাওবা পীজবীবা য়াই।

জ) মপান থোকপদা ঈ য়াওবা তারগদি ঈশিংদা চা মনাসি গ্রাম ১০০ ফুৎলগা মহীদু নুমিৎ ৩নি লোম নোংমদা ৪/৫ রক পীথক্লগদি হায়রিবা অনাবসিদগী ফবা ঙমহল্লি।

ঝ) মখোঙ হান্বা য়াদবদা আতাগা হঙ্গাম থাও অমদি চিনি অঙাংবগা পূন্না পীজরগদি ফবা ঙমহল্লি।

ঞ) অশোক অপন, লেনথৎ-খোৎতৎপদা ঈ থোক্লকপা য়াওরগদি সনারৈ মনাসি পেষ্ট শেম্লগা থোম্বীবদা থোক্লিবা ঈদু খকপা ঙম্মী।

ট) করিগুম্বা মতমদা অশোক অপন য়াওদুনা অশোকপা জগাদু মতম চানা লায়েংবীহৌদ্রগদি হয়িং ময়াম তোংশিন্দুনা হন চঙলগদি চুম্বৈ মনাসি খুবাম অমা হেকপীরগা শুগাইবীরগা হন চঙলিবা জগাদুদা থোম্বীগনি অমদি ফিনা/বেন্দেজনা য়েৎশিল্লগা নোংমদা অনীরক তৌবীগনি। অসুম্না নুমিৎ হুমনিমুক তৌবীরগদি হন চঙবা ঙমহন্দে, অশোকপা মনুংদা লৈরিবা হন ময়ামশিংদু শিহল্লি।

ঠ) মশা শাগৎলকপা মতমদা থাও অহিংবা অদু ২৫০ এম এলদা হীদাক মনা কংবা ৫ অমদি শুনু মহী ২৫০ এম এল পূন্না য়ান্নবীরগা লশীংনা ময়াংলেন্দা নোংমদা ৩/৪ তৈবীরগদি হকচাং শাগৎপা ফৈ।

অসুম্না শা-ষণ নারকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা হীদাক লাংথক ফংলক্তবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা লৈবীরগদি মথক্তা থমজরিবা ময়ামসি শীজিন্নদুনা লায়েংবীগনি। ●

# মনা মশিংদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাকশিং

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

মনা-মশিং থাবা লৌফমদা তোঙান তোঙানবা মখলগী নাপী কয়া অমা হৌদুনা ঐখোয়গী পোত্থোক হন্থহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। ইন্দিয়াদা লৌউ-শিংউ তৌরিবা লৌফমশিংদা ফংবা অপূনবা নাপী মখল ৮০০ মুক্কী মনুংদা মখল ২০০ মুক্তি য়াম্না তোয়না হৌগনবা ওই অদুগা মখল ৮০ গুম্বনা য়াম্না শাথীবা নাপী মখলশিংনি। নাপীশিং অসিনা হৌরিবা পান্বীশিংগা নুংশা মঙাল, মচিঞ্জাক অমদি হৌফম মুন্নবতা নত্তনা পান্বীশিংদা তাগদবা তীলনা লায়নাগী মহীক কয়াগী শৈদাংফম ওই। অমরোমদা অমুক নাপীশিংনা ঐখোয়না থারিবা পান্বীশিংদগী নাইট্রোজেন অমসুং কেলসিয়ম চিংখৎপা ঙম্বগী শক্তি অসি শরুক অনী হেল্লি অদুগা ঐখোয়না থারিবা পান্বীশিংদগী নাপীশিংনা পোটাসিয়ম চিংখৎপা ঙম্বগী শক্তি অসি চাদা ২৫গী চাংদা হেল্লি। পান্বী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না নাপীনা পোত্থোক হন্থহনবগী চাংসু খেন্নৈ। খুদম ওইনা আলুদা নাপীনা মরম ওইরগা চাথোক অসি চাদা ৮-৭২ ফাওবা হন্থহনবা মতমদা হৱাই থরাক্তা ২৫-৩০%, গজর (Carrot) ৭০-৮০, তিলহৌদা ৬৭%, খামেন অশিনবদা ৪২-৭১% অদুগা কোবিলৈদা ৬১%গী চাংদা চাথোক হন্থহল্লি।

ঐখোয়না থারিবা পান্বীশিংগী চাথোক হন্থহল্লিবা তোঙান তোঙানবা মরমশিংগী মনুংদা নাপীনা চাদা ৩৭ হন্থহনবা মতমদা তীলনা চাদা ২২, লায়নানা চাদা ২৯ অমসুং উচি অমদি অতোপ্পা মরমশিংনা চাদা ১২ হন্থহল্লি। মরম অসিনা মালেমগী ওইনা লৌফমদা শীজিন্নবা হীদাকশিংগী মনুংদা নাপী হীদাক্লা চাদা ৫২, লায়নাগী হীদাক্লা চাদা ৩২, তীল হীদাক্লা চাদা ৭ অদুগা অতোপ্পা হীদাকশিংনা চাদা ৪গী চাংদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা অসি য়ু এস এগা চাংদম্নবদদি নাপী হীদাক্লা চাদা ৬০, তীল হীদাক্লা চাদা ২৫ অদুগা লায়নাগী হীদাক্লা চাদা ৮গুম্বা শীজিন্নবা মতমদা ইন্দিয়াদা নাপী হীদাক্লা চাদা ২০, তীল হীদাক্লা চাদা ৬০, লায়নাগী হীদাক্লা চাদা ১৭ অমসুং অতোপ্পা হীদাকশিংনা চাদা ২গী চাংদা শীজিন্নৈ।

মনা মশিংশিংদা শীজিন্নবা য়াবা অখন্নবা নাপী হীদাকশিং-

| হীদাক মখল | চাইগদবা চাং (কেজি/পরি) | চাইবগী মতম | পান্বী মখল |
|---|---|---|---|
| Pendimethalin | ০.৫৫-১ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | তিলহৌ, চনম, কোবীমখলশিং, হৱাই মখলশিং, আলু, পালং শাক, লিংথোক্লবা মোরোক মখলশিং |
| Fluchloralin/ Trifluralin | ১-১.৫ | পান্বী থাদ্রিঙৈদা লৈবাক্তা তোৎ-শিনগদবা | খামেন মখলশিং, মোরোক, আলু, ভেলন্দ্রি, কোবি মখলশিং হৱাই, চনম |
| Oxyfluren | ০.২৪-০.৩৬ | হৌবা কুইদ্রিবা নাপীশিং | তিলহৌ অমদি আলু |
| Butachlon | ২ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | লিংথোক্লবা খামেন অশিনবা অমদি খোংদ্রুম, মাইরেনগী কাঙবু |
| Metribuzin | ০.২-০.৩৫ | হৌদ্রিঙৈ নৎত্রগা হৌবদা ঙাইরিঙৈ | খামেন অশিনবা অমদি আলু |

তোঙান তোঙানবা পান্বীশিংদা শীজিন্নবা নাপী হীদাকশিং

(ক) আলু

| হীদাক মখল | চাইগদবা চাং (g. ai $ha^{-1}$) | চাইবগী মতম | তৌগদবা মওং মতৌ |
|---|---|---|---|
| Butachlon | ৭৫০-১০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | আলু থাখিবা মতুং নুমিৎ ৩-৪গী মনুংদা লৌফম অদু ঈনিল লৈহল্লগা পম্পনা কাপ্পীগনি। |
| Fluchloralin | ১০০০-১৫০০ | পান্বী থাদ্রিঙৈ | মনা কুপ্পা মখলগী নাপী অয়াম্বা অমদি মনা পাকপা নাপী মখল খরা |
| Metribuzin | ৫২৫ | নাপী হৌদ্রিঙৈ নৎত্রগা হৌবা কুইদ্রিঙৈ | থাবদগী নুমিৎ ৩-৪ নৎত্রগা আলুনা ইঞ্চি অনীমুক ৱাংবা মতম |
| Pendimathalin | ১০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | আলু থাখিবগা নুমিৎ ২-৩গী মনুংদা |

(খ) কোবি ফুল/থমচেৎ

| | | | |
|---|---|---|---|
| Fluchloralin | ১০০০ | থারমদাই | হীদাক কাপখিবগা থাজিনবীরবা মতুংদা ঈশিং পীবিগনি। |
| Pendimethalin | ১০০০ | থারমদাই নৎত্রগা থাবা লোইবগা | থারমদাই নৎত্রগা থাবা লোইবগা হীদাক কাপীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |

(গ) তিলহৌ, চনম

| | | | |
|---|---|---|---|
| Butachlon | ১০০০/ ১২৫০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থাগদবা নুমিৎ ৩-৪গী মমাঙ নৎত্রগা মতুং |
| Fluchloralin | ১০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থারমদাই নৎত্রগা থারবা মতুংদা কাপপীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |
| Oxadiazon | ৫০০-৭০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থারমদাই নৎত্রগা থারবা মতুংদা কাপ্পীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |

(ঘ) খামেন অশিনবা/বারমাসিকা/মোরোক

| | | | |
|---|---|---|---|
| Alachlor | ২০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা কাপ্পীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |
| Fluchloralin | ১০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থাদ্রিঙৈদা কাপ্পীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |
| Quizalotop P-ethyl | ৫০ | নাপী হৌরবা মতুং | মনা কুপ্পা মখলগী নাপী মখল কয়া অমা হাৎপা ঙম্মী। |
| Pendimethalin | ১০০০ | নাপী হৌদ্রিঙৈ | থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা কাপ্পীরগা ঈশিং চাইবীগনি। |

শীজিন্নবা য়াবা তোঙান তোঙানবা মখলগী নাপী হীদাকশিং কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবীরগা নাপীনা মরম ওইরগা পোত্থোক হন্থহনগদবদগী ঙাকথোক্লবা অমদি নাপী পেংবদা চঙগদবা খুলং মশীং হন্থহন্দুনা শেন্থোক লৈবা লৌমী অমা ওইনবা হোৎনবগী মতম য়ৌরে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# ফয়েং অৱাং লৈকায়দা লৈবা সলাইগী ফিস ফার্ম ইনভেষ্টরশিংনা থিংজিনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদতা ইনভেষ্ট তৌখিবা ফৈয়েংগী মীওই ৭২ না পুন্না লুপা ৩২২,৩৯,০০০ অসি হনে দাকপিনবা ফয়েংগী ইনভেষ্টরশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবদা তাবিদবদগী খোয়শাউনরবা ইনভেষ্টরশিংনা ফৈয়েং অৱাং লৈকায়দা লৈবা সলাইগী ফিস ফার্ম ঙসিদগী থিংজিল্লে হায়রি।

ঙসি ফয়েং অৱাং লৈকায়দা ফৈয়েংগী ইনভেষ্টর কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফয়েং অপুনবা সলাই ইনভেষ্টর গ্রুপকী সেক্রেটরি অঙোম লোকোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা, সঙাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদতা মখোয়গী লৈজবা শেনফম খরা থমখিবা অদু থা অহুল্লোমদি শেল খরা শেন্দোই ওইনা ফংলম্মী। অদুবু মখা তানা ফংখিদ্রে। ফয়েংগী ইনভেষ্টেরশিংনা মখোয়গী শেনফম অদু খরা হন্দোকপীনবা তকশিনবদা হন্দোক্কনি হায়দুনা থাজবা পীরম্লগা হৌজিক্লা উনবা ফাওবা ফংদ্রে। ঙসি থিংজিনখ্রবা ফিস ফার্ম অসিগী মমাংদা হৌখিবা নুমিৎশিংদা প্রোটেষ্ট তৌবা অমদি মীটিং তৌদুনা ৱাফম কয়াসু খন্নবা লৈখ্রে। মদুদা সলাইগী মরুওইবা মীওইশিং লাক্তুনা ৱারী শান্নবদা য়াম্না থুনা পীরগনি হায়না থাজবা পীরম্লগা মখা তানা লাকখিদ্রে। হৌজিক ফয়েংদা লৈরিবা সলাই ফিস ফার্ম অসি মখোয়না মার্কেট ভেল্যুদা য়োন্থোক্লগা লোগী থোঙদসু য়াবা অমদি মীয়াম্নসু য়াবা সিষ্টেম অমদা য়োন্নবগী অয়াবা অদু পীবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী অঙোম তামুনা হায়, য়াম্না ৱানা থবক শুদুনা তাঞ্জরকপা শেল ইনভেষ্টর ওইরুবদগী হেন্না অৱাবা অমা ওইরে। অমোৎপা থবক তৌবা য়ানিংদে। থবক অমা তৌরবদি পুকচেল শেংবা পাম্মী। লাইরবা ঐখোয়দা ইনভেষ্টর ওইবগী কান্নবা পীরম্নবদি অফবা ওইরমগদবনি। তৌরিবা হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

# দল্লিয়ু ৱাই ১দি ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো য়ুনিটকী টিম অমনা ঙসি নোর্থ এ ও সীগী অকোয়বদা থি হুম্বা চথবদা লোনা য়াদবা মওংদা দ্রগ লল্লোনবগী থবক তৌরম্বা মীওই অমা য়াল্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩৫ রোম তাবদা দি এম য়ুনিভর্সিটি গেটকী ওপোজিট সেকেন্দ এম আরগী গেটতা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং এম দি ফিরোজ খান (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি হিসামুদ্দিন খান কৌই। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন য়াংবীদগীনি। মঙোন্দগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৬,০০০ অমদি ব্রাউন সুগর গ্রাম ৫০ ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্টিভা অমা, মোবাইল ফোন, মনি বেগ অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। মহাক্লা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না দ্রগশিং অদু ময়াং ইম্ফালদগী এম দি অজিজ খান কৌবা অমদগী পুরকপনি। দ্রগশিং অদু নোর্থ এ ও সীদা মীওই অমদা শিন্নবা পুরকখিবনি হায়রি।

# পীশুমথোংদা ঙসি হর ঘড় টিরঙ্গা কেম্পেন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ানা নীং খা তম্লকখিবা চহী ৭৫ মপুঙ ফারকপগী অজাদিকা অম্রিত মহোৎসব থৌরমগা মরী লৈননা হয়েং পীশুম থোং নিঙোম লৈরক লমজিংবা লূপ কম্যুনিটি হোলদা হর ঘড় টিরঙ্গা কেম্পেন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

জে এন এম দি এনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা য়াসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ, আই এম সীগী কোর্পোরেটর ওইনাম রোমিও, য়াইফ লমজিং লূপ পীশুমথোং নিঙোম লৈরক্কী প্রসিদেন্ট ওইনাম চাওবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 222/SDC/IW-L/2022**

1. Saikhom Mani Singh, S/o. (L) Nipamacha Singh of Lamlongei Maning Leikai
2. Saikhom Angoubi Devi, D/o. (L) -do- of -do-
3. Saikhom Khamba Meitei, S/o. (L) -do- of -do-
4. Saikhom Tomba Meitei, S/o. (L) -do- - Petitioners

-VS-

Late Saikhom Nipamacha Singh, S/o. (L) Tomcha Singh of Lamlongei Maning Leikai - OP/Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

29/07/2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার সাইখোম নিপামচা সিংহ পীতা মৃত তোমচা সিংহ সাং লমলোঙ্গৈগী মীংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৫-লমলোঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮১/৪৫৫ দাগ নং ১৩৭০/১৪৪৪ এরিয়া .১৬ চাওবা ইংখোলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

,**Sd/- Sub-Deputy Collector**
IW-Lamsang HL-P/1390/1

**ꯃꯥꯡꯈꯤ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Registration Certificate bearing Regn. No. 3871 of 2021 issued by COHSEM on the way between my residence to Thangal Bazar on 28/07/2022. Finders are requested to handover the same to the .undersigned

Sd/- **Somika Loukrakpam**
Khurai Lamlong HL-P/3556/1

**ꯃꯥꯡꯈꯤ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST**

I have lost my Registration Certificate bearing Regn. No. 3662 of 2021 issued by COHSEM on the way between my residence to Paona Bazar on 25/07/2022. Finders are requested to handover the same to the .undersigned

Sd/- **Goldy Thongam**
Khurai Kongpal Thongam Leikai HL-P/3359/1

**ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি**



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur HL-B/7730/9/7-9/8

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।